# নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা আই এস এলগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে

Match on 07 Nov. (Thu)

MUMBAI CITY FC Vs GOA FC

হায়দরবাদ, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬শুবা এদিসনগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা য়ুম্বু হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

হায়দরবাদকী গাচিবাউলিদা লৈবা জি এম সি বালায়োগি ষ্টেদিয়মদা টুর্নামেন্ট অসিগী মেচ অমত্তা মায়থীরক্ত্রিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি অমসুং অনীরক মায়থীবা নংখ্রবা হায়দরবাদ এফ সিগা লম্বা তৌনবনি।

নোর্থ ইষ্ট এফ সি ঙসি মেচকী মাংওইননা মেচ ৩ শান্নখিবদা অমা মায় পাল্লগা অনী দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট ৫ ফংদুনা ৪শুবা পোজি সনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা হায়দরবাদ এফ সি মেচ ৩ শান্নবদা অনী মায়থীরবা অমগা মায় পাল্লগা পোইন্ট ৩ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী ৯ শুবা পোজি সনদা লৈরমখি।

হায়দরবাদনা মেচ অমা মায় পাকখিবা অদু কেরালা ব্লাষ্টর্সকা শান্নবদনি। অমরোমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা ওরিষা এফ সিগা শান্নখিবদা মায় পাকপা ঙমখি।

ঙসিগী মেচ অদু হৌরকপদগী লম্বা য়াম্না মান্ননা থেংনরকখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং হায়দরবাদ এফ সিনা খরা হেনখি। অহানবা হাফকী ১২ শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী কোর্নর কিক অমা ফংখি। অদুবু কোর্নর কিক অদুগী লাকপা বোল অদুনা হায়দরবাদ এফ সিগী গোল মনুংদা চঙহনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংখিদে।

১৩শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্টকী শান্নরোয়শিং অদুনা পুশিল্লকপা বোল অমা টিম অদুগী দিফেন্দর গুরটেজনা নোর্থ ইষ্টকী মার্তিন সেফতকা বোল ফঙনবা হোৎনবদা ফাউল তৌখিবগীদমক মেচ অদুগী অহানবা য়েল্লো কার্দ অদু গুরতেজ তা উৎতুনা বুক তৌখি। অহানবা হাফকী মতম য়ামশিল্লক্তুবদা ৪২ শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী ফ্রি কিক অমা ফংখি। অদুবু বোল অদু হায়দরবাদকী দিফেন্দরশিংনা অশোইঅঙাম য়াওদনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগী কোর্নর কিক অমা ফংখি। অদুবু মখোয়না খুদোংচাবা লৌবা ঙমখিদবদগী অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হৌরকপগী ঙল্লিঙৈদা নোর্থ ইষ্টনা বোল ঙন্না পুশিন্দুনা এটেক চথরকখি। ৫৪ শুবা মিনটতা টিম অদুনা কোর্নর কিক অমা ফংখ্রবসু খুদোংচাবা লৌবা ঙমখিদে। হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগীসু খুদোংচাবা ফংবদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদা পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা থিদুনা লাকখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈ নোর্থ ইষ্টনা ফংখিবা বোল অমা টিম অদুগী লিয়ুদোনা হায়দরবাদকী পেনাল্টি বোক্স মতোনদগী কাউশিনখিবদা বোল অদু সঙ্করনা মকোক্লা ঙাক্কে তৌখিবদা মখুৎনা হান্না ঙাকথোকখিবগীদমক পেনাল্টি অমা নোর্থ ইষ্টনা ফংখি। ৮৬ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অদু নোর্থ ইষ্টকী মেক্সিমিলিয়ানোনা অশোইবা য়াওহন্দুনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হায়দরবাদ এফ সিবু মখোয়না ১-০দা থোইখি।



| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | NorthEast United | 4 | 2 | 2 | 0 | 5 | 3 | +2 | 8 |
| 2 | Jamshedpur | 3 | 2 | 1 | 0 | 5 | 2 | +3 | 7 |
| 3 | ATK | 3 | 2 | 0 | 1 | 6 | 1 | +5 | 6 |
| 4 | Goa | 3 | 1 | 2 | 0 | 6 | 3 | +3 | 5 |
| 5 | Mumbai City | 3 | 1 | 1 | 1 | 3 | 4 | -1 | 4 |
| 6 | Odisha | 3 | 1 | 0 | 2 | 6 | 6 | 0 | 3 |
| 7 | Bengaluru | 3 | 0 | 3 | 0 | 1 | 1 | 0 | 3 |
| 8 | Kerala Blasters | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 | 4 | -1 | 3 |
| 9 | Hyderabad | 4 | 1 | 0 | 3 | 3 | 10 | -7 | 3 |
| 10 | Chennaiyin | 3 | 0 | 1 | 2 | 0 | 4 | -4 | 1 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৬

১) কুমজা ১৯৭৪ দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অদু করিনো?

২) জেসি ওৱেন (অমেরিকা) অমসুং লোঙ লটজ (জর্মনি) মরুপনি। লোঙ লটজ অনিশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবদা অফ্রিকাগী মফম অমদা লৈখিদে। মখোয় অনী অরোইবা ওইনা করম্বা মফমদা উনখি।

৩) অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি?

৪) ঐনা মহাকপু ওলিম্পিক্কী লমজেন্দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মহাক লৈবাক অমগী গভর্ণর জেনরেল ওইখি। মহাক ইংলেন্দগী নিংথৌরেল অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী দাক্তর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সোরোখাইবম রঞ্জনাগী পাঞ্জলনা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম্বু ভিয়েটনামগা শান্নবা ২শুবা ফ্রেন্দলি মেচ দ্রো চৎহনখ্রে

হানোয়, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয় সোরোখাইবম রঞ্জনা চনুগী পাঞ্জলনা ভিয়েটনামগা শান্নবা অনীশুবা ফিফা ফ্রেন্দলি মেচ অদু লৈবাক অনী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎহনখ্রে।

ভিয়েটনামগী সিটি হানোয়দা লৈবা ভিয়েটনাম নেসনল ট্রেনিং সেন্টর গ্রাউন্দদা ঙসি ইন্দিয়া অমসুং ভেয়েটনামনা অরোইবা ফ্রেন্দলি মেচ অদু শান্নখি। নীংশিংবা য়াবদি থা অসিগী ৩দা হায়রিবা গ্রাউন্দ অসিমক্তদা শান্নখিবা অহানবা ফ্রেন্দলি মেচ অদু য়ুম্বু লৈবাক অদুনা পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি।

মায়থীখিবা অদু লমন শিংনবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অহানবা হাফকী ৩৯শুবা মিনটতা ভিয়েটনামগী মায়কৈদগী থাই থি থাওনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাফ অদু লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ভিয়েটনামগী মায়কৈদদা বোল কয়া পুশিন্দুনা হোৎনরকপদা মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন অসালতানা পীরকপা পাস অমদা সোরোখাইম রঞ্জনা চনুনা ইক্বেলাজির অদু চন্দনা ইন্দিয়া অমসুং ভিয়েটনাম ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।



# সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে, বি সাই প্রনিথ অমসুং পরুপলি কশ্যপ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

FUZHOU CHINA OPEN 2019

ফুজৌ, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী): চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী ফুজৌ সিটিদা পাঙথোক্লিবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে। নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বি সাই প্রনিথ অমসুং পরুপলি কশ্যপ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোয় য়ানয়ান কাইগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না শোত্থবা মওংদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থীহৌখি।

অহানবা গেম অদু নেহৱাল পোইন্ট ৯-২১দা মায়থীবা নঙখি। অনীশুবা গেমদা মহাক্না য়ানয়ান কাইবু তান্ননবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু অরেম্বা তাখি। মহাক্না পোইন্ট ১২ য়ৌরকপদা য়ানয়ান কাইনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী সাইনা নেহৱাল মায়থীহৌখি। টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী কেম্প্যেন লোয়শিনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় তোমি সুগিয়ার্টিগা লম্বা তৌনবদা গেম ২-১দা মায়পাকপা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় সুগিয়ার্টোনা প্রনিথপু পোইন্ট ২১-১৫দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেমদা সুগিয়ার্টোবু প্রনিথনা পোইন্ট ২১-১২দা থোইদুনা গেম ১-১দা মান্নদুনা লৈখিবদগী অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম শান্নরকখি।

অরোইবা গেম অদুদা সাই প্রনিথনা য়াম্না ফজবা হেল্লকপদগী পোইন্ট ২১-১০দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় কে ৱাংচারোনবু ২১-১২, ২১-৭তা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় দেনমার্ক্কী এন্দর্স এন্টোসেনগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পরুপলি কশ্যপনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় এস থমাসিনগা লম্বা তৌনরকপদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৪, ২১-১৩দা মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৭শুবা সিদেদ দেনমার্ক্কী ভিক্তর এজেলসেনগা লম্বা তৌনরগনি।



# ধিরজ য়াওনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম লাউথোকপদা মণিপুর মচা ৪ য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী): নবেম্বর ১৪ অমসুং ১৯দা ইন্দিয়ানা ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২ ক্বালিফাইয়রগী অফগানিস্তান অমসুং ওমানগা শান্নগদবা মেচ অনীগীদমক্তা কোচ আইগোর ষ্টিমেগনা লাউথোকখিবা শান্নরোয় ২৬কী মেম্বর অদুদা নহা ওইরিবা গোলকিপ্পর মোইরাংথেম ধিরজ য়াওনা মণিপুরদগী ৪ য়াওখ্রে।

নবেম্বর ১৪দা টজিকিস্তানগী সিটি দুসানবেদা অফগানিস্তানগা শান্নগনি। অদুগা নবেম্বর ১৯দনা মুসকেট সিটিদা য়ুম্বু ওমানগা লম্বা তৌনগদৌরি। ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৭ ফিফা য়ু - ১৭ ৱর্ল্ড কপ অদুদা গোলকিপ্পর অমগী ওইবগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মোইরাংথেম ধিরজ ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিম খনবগী লাউথোকপদা শরুক য়ারকপা জুনিয়র শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অহুমশুবনি। মহাক্কী মমাঙদা ইন্দিয়াগী য়ু-১৭গী কেপ্টেন ওইখিবা অর্মজিৎ অমদি অতোপ্পা শান্নরোয় অনোর অলি মাংজৌননা সিনিয়র টিমগীদমক খনখ্রবনি।

কোচ ইষ্টিমেগনা ফোঙদোকখিবদা ধিরজ ইন্দিয়াগী তুংগী শান্নরোয়নি। নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অসিনা টিম মেনেজমেন্ট চাওনা থাজবা থম্লি। ইন্দিয়ানা শান্নগদবা মেচ অনীমক অৱে মেচ ওইবনা মখোয়না মশাগী ফিভম য়াম্না চেকশিনগদবা তাঙ্ককী হায়না কেপ্টেন সুনিল সেত্রিনা ফোঙদোকখি।

শান্নরোয় ২৬ লাউথোকপদা মণিপুরগী হৌখিবা টিম অসিদা য়াওরিবা মখোয় মরী অদুদি রিগুলর শান্নরোয় ওইরিবা উদান্তা, নৌনা টিম অসিদা ষ্টিমেগনা খনগৎলকপা মোইরাংথেম ধিরজ, টেলেম জেকিচান্দ অমসুং সৈমিনলেন দোংগেলনি।

ধিরজ মমাঙগী সিজনদা কেরালা ব্লাষ্টরসতা য়াওরম্বদিগী হন্দক্কী সিজনদা এ টি কেদা য়াওখি। জেকিচান্দ এফ সি গোৱাদা শান্নরি। সেমিনলেন দোংগেলসু এফ সি গোৱাগী শান্নরোয় অমা ওইরি। ধিরজনা গোলকিপ্পর ওইনা খল্লকপা মরম্মা হান্না অহুমশুবা গোলকিপ্পর ওইরম্বা কমলজিৎ হন্দক্কী লিষ্ট অসিদা য়াওরকখিদে।

# দল্লিয়ু ৱাই সী য়ূম্নাম খুনৌ, কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই মায় পাকখ্রে

৫শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল য়ু-১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৫শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা দল্লিয়ু ৱাই সী য়ূম্নাম খুনৌ অমদি কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৭০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা পাঙথোক্লিবা ৫শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা দল্লিয়ু ৱাই সী য়ূম্নাম খুনৌ অমদি ভি কে সী সী এল ওইনাম লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচ অদুদা দল্লিয়ু ৱাই সী য়ূম্নাম খুনৌনা ফজবা হেনবদগী মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ভি কে সী সী এলবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা আর এ এফ এ থিনুঙ্গৈ অমসুং কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৮শুবা মিনটতা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইগী শান্নরোয় এম বিক্রম জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা আর এ এফ এনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা তক্লদুনা শান্নরকখি। আর এ এফ এ থিনুঙ্গৈগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অপীবা মতম লোইখিবনা মেচ অদু কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা থা অসিগী ৮গী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা য়ু এফ এ অমসুং য়ু কে সী সী এল লম্বা তৌনগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দনা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা য়ু ৱাই দি সী অমসুং আর এ এফ এ লম্বা তৌনরগনি।



## রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস): ৩১শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা সী আর এস রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা খঙহল্লক্লি।

টিমশিংগী শান্নরোয়শিংনা অপীবা মতম অসিদা রেজিষ্ট্রেসন তৌদ্রবদি টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা য়ারোইহায়না এ এম এফ এগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# চহী ১৯ মখাগী এ এফ সি চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফায়র্সতা ইন্দিয়াগী টিম উজবেকিস্তানগী মখুত্তা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীখ্রে

খোবার, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী): এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সিটি ১১দা শান্নরিবা কুমজা ২০২০দা উজবেকিস্তাননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৯ মখাগী এ এফ সি চেম্পিয়নশিপকী গ্রুপ 'কে'গী অহানবা লিগ মেচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম উজবেকিস্তাননা পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে।

গ্রুপ ১১ থোক্লা খাইদোক্তুনা এসিয়াগী লৈবাক ৪৬না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ক্বলিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি সাউদি অরাবিয়াগী সিটি খোবারদা লৈবা প্রিন্স সোদ বিন জলাৱি ষ্টিদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোয়শিনবা ফাওবা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

মেচ হৌরকপা অনীশুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গুরকিরট সিংহনা উজবেকিস্তানগী দিফেন্দরশিংনা শোয়বদগী নান্থোরকপা বোল অমা ফিল্দগী ময়ায়দগী পুশিল্লগা কাওশিনখিবদা মপা খর ওন্নখিবদগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমখিদে।

১৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ফুলবেক মহম্মদ রাফিনা থ্রো ইন অমা য়াম্না শান্না লংশিল্লকপদা উজবেকিস্তানগী গোল এরিয়া য়ৌশিল্লকপদা মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা অথুবা মতমদা কাওথোকপা ঙমখি। শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা রাফিনা অমুক লংশিল্লকপা বোল অমা বিক্রম প্রটাপ সিংহনা অহানবা ফংখিবা খুদোংচাবা অদু কাওশিনখিবদা গোল পোষ্টতগী মপা ওন্নখিদুনা পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে।

উজবেকিস্তানগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা য়াম্না ফজখিবা তাঞ্জা অদু ১৯ শুবা মিনটতা মখোয়না ফংখিবা কোর্নর কিক অমদা কাউশিন্দুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা অদু ইন্দিয়াগী কিপ্পর গিলনা ফজনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

অহানবা হাফকী শান্নবা মিনট ৪৫গী শান্নবা লোইশিনখিবা অদুদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ উজবেকিস্তাননা ফ্রিক কিক অমা ফংখিবা অদু ইন্দিয়াগী ৱালনা ঙাকথোকপা ঙমখি। অদুবু মিনট ১ লৈরগা উজবেকিস্তাননা য়েৎ থংবা ফিল্দদগী পীরকপা য়াম্না নেম্বা পাস অমা খোসিমোব উলুকবেগনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মখোয়গী একাউন্ট হাংদোকখি।

মেচকী ৬৩ শুবা মিনটতা উজবেকিস্তানগী রাখিমকুলোবনা কাউশিনখিবা য়াম্না শাফু কনবা বোল অমা ইন্দিয়াগী গিলনা সেফ তৌবা ঙমখি। অদুবু ৬৫ শুবা মিনটতা উজবেকিস্তানগী ওলিম জোনোব মুজাফরনা কোর্নর কিক অমদগী ফংখিবা বোল অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা লৈখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেচ লোইশিল্লকপদা নিংথোইঙানবা মীতৈনা ৮০ শুবা মিনট অদুদা কাউশিনখিবা বোল অদু শাফু কনজখ্রবসু উজবেকিস্তানগী গোল কিপ্পর নেমাতোপনা ঙাকথোকপা ঙমখি। পাঞ্জল ০-২দা মায়থীরবা ইন্দিয়ানা অনীশুবা মেচ অদু থা অসিগী ৮দা য়ুম্বু লৈবাক সাউদি অরাবিয়াগা শান্নরগনি।



# এস দি সী শমুরৌনা এন আই এস সী লাইরেঞ্জমবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে

৯শুবা কাংজম কর্ণজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ৱাই দল্লিয়ু সী মালোম গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা কে কর্ণজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস দি সী শমুরৌনা এন আই এস সী লাইরেঞ্জমবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৯শুবা কে কর্ণজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি এস দি সী শমুরৌ অমদি এন আই এস সী লাইরেঞ্জম লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা এস দি সী শমুরৌনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা এস দি সী শমুরৌগী শান্নরোয় এম মাইকেল জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ৩২শুবা মিনটতা টিমমেট ঐচ রাকেশ জর্সি নম্বর ১৩না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এন আই এস সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এন আই এস সী লাইরেঞ্জমগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু ফুকৎনবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। অদুবু এস দি সী শমুরৌগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা কান্নবা ফংখিদে। মেচকী ৬৩শুবা মিনটতা এস দি সী শমুরৌগী শান্নরোয় ধনচন্দ্র জর্সি নম্বর ২৪না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-০দা লৈহনখি।

মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এন আই এস সী লাইরেঞ্জমগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু এস দি সী শমুরৌনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা ৱাই য়ু সী অমসুং আই এফ সী লম্বা তৌনরগনি।

# ঐচ ৱাই দি সী সী এলনা কে এল ৱাই জি সীবু মায়থীবা পীখ্রে

স্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন মপাল কাংজৈবুংগী মীৎয়েং মখাদা আই জি ও হৈক্রুজম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ১৮শুবা জুনিয়র ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ ঙসি হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহানবা মেচতা ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈগ্রুজমনা কে এল ৱাই জি সী কামোংবু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১০না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা জুনিয়র ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা হৌদোকপগী মেচতা ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈগ্রুজম অমসুং কে এল ৱাইজি সী কাংমোং লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈগ্রুজমনা কে এল ৱাই জি সীবু সেট ৩-০ (২৫-২৩, ২৫-২৩, ২৫-২০) দা মায়থীবা পীখি।

১৮শুবা জুনিয়র ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ৪ তাবদা ৱাই এম দি ও অমসুং এস দি সী, ৱাই পি এ অমসুং এন ৱাই ভি এ, কে এল ৱাই জি সী অমসুং আর সী সী লম্বা তৌনগনি। অদুগা নুংথিল পুং ২ তাবদনা আই জি ও অমসুং এস দি সী লম্বা তৌনগনি হায়রি।

